# মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল ২০১৮
## ইন্দিয়া–বি (মণিপুর) না চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা চঙী খুদিংগী মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ১২শুবা ইদিসন ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়নসু ওইখিবা ইন্দিয়া–বি (মণিপুর) না ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৭–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।
মায় পাক্লবা ইন্দিয়া–বি (মণিপুর) গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎ না মিনট ০.১৫ অমদি জর্সি নম্বর ১ পিঐচ কাওবানা পাঞ্জল অমমম চনদুনা অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ২, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা মিনট ২.৪৪ অমদি জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনট ৭.০৭ দা পাঞ্জল অমমম চনদুনা অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ টিঐচ কাওবনা মিনট ৩.০৬ অমদি জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা ৬.৩০ দা পাঞ্জল অমমম চনদুনা অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অমদি মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনট ৫.৫০ দা পাঞ্জল ১ চনদুনা পুন্না পাঞ্জল ৭ চনখি।
ইন্টরনেসনেল পোলো অসিগী রন্নর্স অপ তাহৌরবা ইংলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ বেন ইলেনা মিনট ৪.৫৩ দা পাঞ্জল ১, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ জোস এমোনা মিনট ৩.৩৭ দা পাঞ্জল ১ অমদি অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ হেনরি এমোর অমসুং জর্সি নম্বর ৩ বেন ইলেনা মিনট ৩.৪৬ তা পাঞ্জল অমমম চনদুনা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনখি।
১২শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনেল পোলো অসিগী মোষ্ট ভেল্যুয়েবল প্লেয়রদা ইংলেন্দগী জোস সেতলনা পীখি।
ইন্টরনেসনেল পোলো অসিগী বেষ্ট পোনি অহানবা পোজিসন তাখ্রবা এক্স পোলো ক্লবকী থাঙ্গোল অরাংবদা লুপা লিশিং ১৫, অনীশুবা পোজিসন তাখ্রবা আইআরসিগী লোয়াদা লুপা লিশিং ১০ অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা এমপিএসসিগী সনাবীদা লুপা লিশিং ৫ পীখি।
ৱিন্নর ওইখ্রবা ইন্দিয়া–বি (মণিপুর) দা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লাক্ষ ১গা লোয়নননা ৱিন্নর ট্রোফি অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা ইংলেন্দা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ৫০ গা লোয়নননা রন্নর্স অপ ট্রোফি খূৎশিন্নখি।
ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ডা নাজমা হেপটুল্লা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, ৱাই খেমচান্দ সিংহ স্পিকর মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি অমদি পি সরতচন্দ্র এমএলএ না অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।
ডা. নাজমা হেপটুল্লানা ফোঙদোকখিবদা– পোলো হায়বা মশান্না অসি মণিপুরদগী হৌখিবনি হায়বসি মীয়ামনা খঙনরবা ৱাফমনি। ইন্দিয়ান পোলো এসোসিয়েসননা এপ্রুপ তৌবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল অসি পোনি কৌবা তাংলবা শগোল অসিনা শান্নবতা নত্তনা টুর্নামেন্ট অসিগী পাঙথোকফম অসি মালেমদা খ্বাইদগী লিরবা পোলোগ্রাউন্দ মপান কাংজেবুংদা পাঙথোক্পনা তোপ তোপ্পা মগুণ অমা ওইরে।
পাঙথোকলিবা টুর্নামেন্ট অসিনা তাংলবা পোনি কৌবা শগোল অসিবু য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরে অমদি ষ্টেট অসিগী গভর্ণমেন্টনা শগোল মখল অসি কন্নবগীদমক ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাংদা শেমগৎলিবা পোনি সেক্সনরি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেলদা শেমগৎলিবা পোনি ব্রিদিং ফার্ম শিংথানিঙাই ওই অমদি মসিগী কান্না শোয়দনা ফঙগনি হায়না মখা তাখি।

# সঙাই ইনভাইটেসন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮
## ব্রোজেননা সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন (আইদিটিএ) অমদি এসোসিয়েসন ফোর সেনিয়র প্লেয়র ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৮ গী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২২দগী আইদিটিএ লম্ফেলপাৎ, এসইৱাইও টেন্নিস কোট অকাম্পাৎ অমদি হাও টেন্নিস কোট চীংঙামথক্তা চথরিবা সঙাই ইনভাইটেসন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ব্রোজেননা বেক্করবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মেন ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিগী য়ু–১০ গার্লসতা গুরু অরিবম অবানা ৱিন্নর অমদি টিঐচ ইবেথোইনা রন্নর্স অপ তাখি।
য়ু–১০ বোইজকীদা কৈশাম সোহানা ৱিন্নর অমদি ধনারাজ সাইখোমনা রন্নর্স অপ তাখি।
য়ু–১৪ গার্লসকীদা এল নন্দনিনা ৱিন্নর অমদি ৱাই থোইবীনা রন্নর অপ তাখি।
য়ু–১৪ বোইজকীদা বিকি শগোলশেমনা ৱিন্নর অমদি সঙ্কর হৈস্নামনা রন্নর্স অপ তাখি।
চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ু–১০ অমদি ১৪ (বোইজ এন্দ গার্লস) কী ৱিন্নরদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২ অমদি রন্নর্স অপতা লুপা লিশিং ১ গী মনা পীখি।
মেন্স ওপনগী সিঙ্গলসকী ৱিন্নরদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৬কা লোয়নননা এলইদি ২৪ গী টিভি অমদি রন্নর্স অপতা লুপা লিশিং ৩ পীখি।
মেন্স ওপন দবলসকী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ৬ অমদি রন্নর্স অপতা লিশিং ৩ পীখি।

# ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন তাইকুন্দো ২০১৮
## এ প্রিথিরাজ অমদি কেঐচ রোবার্টনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এসজিএফআই) গী মীৎয়েং মখাদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৩০দগী পুন্না শান্নরোই ৫১২ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী তাইকুন্দো ট্রেনিং হোলদা চথরিবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ২০১৮ গী ঙসি মরিনী চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড ৫, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ৭ ফঙদুনা লৈরি।
মরিনি চনবা নুমিৎকী শান্নখিবা নুপামচাগী কেজি ২৯–৩২ দা মণিপুরগী এ প্রিথিরাজনা গোল্ড, মৈধ্য প্রদেশকী সাটিয়া লোধিনা সিলভর, হারিয়ানাগী গৌরব অমদি ভিধিয়া ভারতকী দেবনাস মিশ্রানা ব্রোঞ্জ লৌখি।
কেজি ৩৮–৪১ দসু মণিপুরগী কেঐচ রোবার্টনা গোল্ড, মীজোরামগী জোনাথানা সিলভর, গুজরাটকী মিহির নালিয়ার অমদি জারখান্দগী অমান মুনদানা ব্রোঞ্জ লৌখি।
কেজি ৪১ মথাক্কীদা মৈধ্য প্রদেশকী অলয়াল অলিনা গোল্ড, মহারাষ্ট্রগী শ্রীনিধি দিপাক্না সিলভর, হারিয়ানাগী অনিল কুমার অমদি গুগী বিকি বিরেন্দরনা ব্রোঞ্জ লৌখি।
নুপীমচাগী কেজি ২৬–২৭ দা গুজরাটকী নিরুই হেকাদনা গোল্ড, মহারাষ্ট্রগী নিলাম নমদুরেনা সিলভর, কেভিএসগী শ্রীষ্ট্রি সিংহ অমদি হারিয়াগী করুনানা ব্রোঞ্জ লৌখি।
কেজি ৩৫–৩৮ দা দিল্লিগী সিয়া মিশ্রানা গোল্ড, তামিল নাদুগী এম বারাথারিনিনা সিলভর, চান্দিগরগী রাসচাহর অমদি কেভিএসগী অনা পাটেলনা ব্রোঞ্জ লৌখি।
কেজি ৩৮ মথক্কীদা মহারাষ্ট্রগী নায়ানায়রনেসনা গোল্ড, চান্দিগরগী ইসাপন চালনা সিলভর, গুজরাটকী ভরুনদা দিয়া অমদি তেলঙ্গানাগী গুলয়ারনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

# গোল্ড মেদালিষ্ট অমদি ওফিসিয়েলশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
থা অসিগী ২৫ দগী ২৮ ফাওবা পেসিফিক হোল, পাট্টয়া, থাইলেন্দা চথরিবা ৩শুবা এসিয়ান কপ জিট কুন্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবদা গোল্ড মেডল লৌরক্লবা মণিপুরগী জিট কুন্দো শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েল অমা ঙসি ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়নননা য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ৱাইদিসি য়াইরিপোক খোইরোম অমদি লৈকাই মীয়ামনা হরাও তয়াম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।
চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারুবা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা শান্নরোই অহুম অমদি সব–জুনিয়র গী কেজি ২৪ গীদা সনাবম দাইনা, সব–জুনিয়র কেজি ৪১ গীদা অরুবম তেনিসন মৈতে অমসুং সেনিয়র কেজি ৫০ দা সিঐচ নিংথেম সিংহ নি। অদুগা ডা. মোইরাংথেম ইবোমচা মৈতৈনা অসিয়ান কপ চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা টেক্নিকেল ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াখি হায়রি। শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েল ঙসি ইম্ফালদা থুংলবগা মীয়াম্না লৈ পরেং অমদি অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা হরাও তয়াম্না পূক্লিং থৌগৎখি।

# ২৫শুবা নেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা করনাটাকা থাঙ–তা এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বরগী তাং ১৩ দগী ১৬ ফাওবা করনাতাকাগী বিজাপুরদা লৈবা শ্রী সিদেশ্বরা সমস্থে, বসাভেসৱারা ভিরাসৈভা ভিধিয়াভরধাকা সংহা, বগালাকোট দা ২৫শুবা নেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা তাং ১৭ তা থাঙ–তা শংলেন য়ুম্নাম হুইদ্রোম, ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেলেক্সন তৌদুনা হৌজিক হৌজিক অকনবা ট্রেনিং চথরিবা সব–জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী নুপামচা, নুপীমচা, নুপা অমদি নুপীগী থাঙ–তা শান্নরোইশিং পুন্না ১২০ না অথোই–অহেন তান্নরুগনি।
মশান্নশিং অদুদি– ফুনবা অমা, ফুনবা অনীশুবা, থাঙ–হায়বা অমদি থাংলোন অমদি কাংলোন খূৎলোন নি।

# খেলো ইন্দিয়াগী খো খো ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০১৯ মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা মহারাষ্ট্রদা মথং চহিগী জনুৱারি ৯ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগীদমক মণিপুর এমেচর খো খো এসোসিয়েসনগী জুনিয়র বোইজ অন্দর–১৭ ক্কালিফাইদ ওইরে।
হায়রিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০১৯ দা শরুক য়ারুনবা খো খো বোইজ টিম খন্ননবা ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্ট লাক্লিবা দিসেম্বরগী তাং ১ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তাবদগী বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোকতা পাঙথোক্লগনি। মসিদা খো খো শান্নরোইশিংনা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লি।
শরুক য়াবা লাকপা মতমদা শান্নরোই খুদিংমক্না মশা–মশাগী অধর কার্দ অমদি কলর ফোটো পাস্পোর্ট সাইজ অমমম লোইনরক্কদবনি।

# বোইজ এন্দ গার্লস ভোল্লিবোল প্লেয়রশিংগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস ভোল্লিবোল প্লেয়রশিংগী ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি।
ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা জুনিয়র বোইজগী শান্নরোইশিংদি– এনৱাইভিএ নাওরেমগী বুধিচন্দ্র সিংহ, হারিমোহোন সিংহ, ওপিএস খুমন সিংহ, ৱাইএমদিও হৈরাঙ্গোইথোংদগী কে জয়সন, পি বিকাস, এন মাইকেল, কেঐচ মাংলেমঙাম্বা, কেইনাও, রোনাল্ডো, টিআরৱাইভিসি, উখ্রুলদগী ময়োনশিং জাজো, অপুই এমকে, এএমৱাইসি অন্দ্রোদগী ৱাই নারেন্দ্র সিংহ, ৱাইপিএ হিরনমৈদগী ৱাই অরিল, ঐচ নিংথেম, আইজিও ওইনামদগী এল সুনিল, কে দিপক, এন বোগেন, এল হেরোজিৎ, এসদিসি শমুরৌদগী ৱাই ক্রিপা, এসঐচ সুনিল, সুরচন্দ ৱাঙ্খেম, মিখিয়াম ময়াং ইম্ফালদগী টিঐচ চাওবা সিংহ, সলাম সঞ্জয় সিংহ, পিঐচ অমর সিংহ নি।
জুনিয়র গার্লসগীদা–টিআরৱাইভিসি উখ্রুলদগী মোসোনি, লনমিনাও কাসহুনা, এনৱাইভিএ নাওরেমদগী উস্মা থিংবাইজম, টিঐচ সনাথোম্বী, এন বিজায়া, এন ইচানবী, টিআরৱাইভিসি–এ উখ্রুলদগী সুসানাহ ঙালুং, সেরকৱোন কমশুং, দব্লিউৱাইএএসএ চান্দেল আরটি হোসানা অনাল, নিওমরিং, আরআই জয়রিং অনাল, দব্লিউএস ফেরিং অনাল, এমকেএস সেনাপাটি আর পুংদিলা জোভিতা, এফ রহা, এসকে রঙ্গালা, পিনা মারগারেট, আর কংলা মাগদালাইন, আইকেকেৱাইভিসি দগী দাইনা, কেৱাইএলএসদিগী জেনি কৈশিং, জেনিফর কৈশিং, চুইয়োফি, জয়টি নি।
হায়রিবা শান্নরোইশিংনা ট্রাইয়েল সেলেক্সনগীদমক খুমন লম্পাক্তা লাক্কুনা ভোল্লিবোল কোচ এল টিকেন সিংহ (এনএনৱাইএস) তা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন (বিদিভিএফএ) না শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা টিম ১০ না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ বিদিভিএফএ অমদি সিসিপুর টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবদা বিদিভিএফএনা সিসিপুরবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।
মায় পাক্লবা বিদিভিএফএগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ দাল বহাদুরনা মেটচকী মিনট ১৪, ৩০ অমদি ৬০ দা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ৫ বাইতেনা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি।
মেটচ অসিদা মায়থিরবা সিসিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ তাংখোলেননা মেটচকী ৪শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অর্টিষ্টিক জিমনাষ্টিক্স

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
ওল মণিপুর জিমনষ্টিক্স এসোসিয়েসননা শীন্দুনা হৈরাঙ্গোইথোং বাজারগী এসদব্লিউসি কম্যুনিটি হোলদা জিমনষ্টিক্স নুপামচা অমদি নুপীমচা পুন্না ৩৪না শরুক য়াদুনা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ (বোইজ এন্দ গার্লস) আর্টিষ্টিক জিমনাষ্টিক্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসিদগী হৌখ্রে।
ঙসি শান্নখিবা চহি ১০ মখা নুপামচাগী ফ্লোর এক্সারসাইজতা নিংথৌজম দিপক মৈতৈনা ফাষ্ট, ৱাংখৈরকপম চীংখৈঙানবনা সেকেন্দ অমদি খুম্বোংময়ুম থোইথোইবানা থার্দ তাখি।
বোলটিং টেবলদা ৱাংখৈরকপম চীংখৈঙানবনা ফার্ষ্ট, ফৈরোইজম তোকিয়ো মৈতৈনা সেকেন্দ অমদি তেকচম য়োইহেনবা মৈতৈনা থার্দ তাখি।
চহি ১০ মখাগী ওল রাউন্দা ৱাংখৈরকপম চিংখৈঙানবনা ফাষ্ট, খুম্বোংময়ুম থোইথোইনা সেকেন্দ অমদি নিংথৌজম দিপকনা থার্দ তাখি।
নুপীমাচগী চহি ১২ মখাগী ফ্লোর এক্সাসাইজ তা নিংথৌজম এরিনানা ফার্ষ্ট, হুইরোম তনুজানা সেকেন্দ অমদি অনজোরিনা থার্দ তাখি।
বোলটিং টেবলদা নিংথৌজম অরিনানা ফাষ্ট, হুইরোম তনুজানা সেকেন্দ তাখি।
উরেনুন বারদা এন অরিনানা ফাষ্ট, ঐচ তনুজানা সেকেন্দ অমদি গ্রেসমি না থার্দ তাখি।
ওল রাউন্দ ইভেন্টতা এন অরিনানা ফাষ্ট, ঐচ তনুজানা সেকেন্দ অমদি গ্রেসমিনা থার্দ তাখি।




# ষ্টেট লেভেল মেন ওপন ভোল্লিবোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
রুরেল সোসিও–ইকোনোকিম দিলভপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা ইরোইসলাম পব্লিক গ্রাউন্দ বেঙ্গুনদা ৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ মেন ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।
টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নরগনি।
টিম এ দা শান্নগদবা টিমশিং অদুদি–আরএসইদিও বেঙ্গুন, এমআইকেঐচৱাইএ ময়াং ইম্ফাল, ৱাইপিএ হিরয়ানমৈ, পিৱাইদিও পাওবিতেক নি।
গ্রুপ বিদা আরৱাইসি মোইদাংপোক, এসৱাইদিসি সনথেন, কেএলৱাইজিসি কমোং নি।
টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ মথং চহি দিসেম্বর ১গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এমআইকেঐচৱাইএ অমদি আরএসইদিও গা শান্নগনি।

# শিংজমৈ কেন্দ্রনা ওইনাম চর্লি কাংগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ঃ
মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী তাং ২৪দগী কাংখূৎ ১২না গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্তা লৈবা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরক্লিবা অহানবা ওইনাম চর্লি মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ কাঙ টুর্নামেন্ট কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা শিংজমৈ কেন্দ্রনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৬–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট চেকফেদা আরকে ইনাওচা অমদি বেষ্ট লমথাদা এল নবকান্তনা ফঙখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা শিংজমৈ কেন্দ্রদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রদা লুপা লিশিং ৮ গী মনা পীখি।
ঙসি টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ইম্ফাল কোলেজকী প্রিন্সিপাল এম প্রিয়োবর্ত্ত, শিংজমৈ কাংখূৎকী এদভাইজর এ শ্যামসুন্দর শর্ম্মা অমদি দিএম কোলেজ ওফ আর্টসকী রিতয়র্দ প্রিন্সিপাল এম ইবোহলনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রিসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা মনা–মথুম য়েন্থোকখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*